# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ১৩৯

- ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম -

নুংশিৎ শিৎতনা উনা খক লেঙদে। মসিমক ককপা য়াদনা ঙসি ফাওবা মীয়াম্না খঙনরি। লমদমসিদা অচুম্বা, অশেংবা হায়বসি মখোঙদগী মতোন ফাওবা চৎনরবদি করিগী ৱায়েলশঙ, পুলিস, সিফাইনচিংবা থম্ল রুগনি। ঐখোয়গী আইন, ঐখোয়গী চৎনবী নুং-পান খুদিংমক অচুম্বা অশেংবা চৎনরক্তবদগী থোরকপা ৱাথোক লাম্হোক ঙাক্তনি। মসিগী মতাংদা মতম মতমগী লৈঙাক পুবিরিবশিংনা পাৱর হেন্না শীজিন্নরকপগী ৱাথোক-লাম্হোকশিং মশীং হেনগৎলকপনি হায়বসি ১০০গী মনুংদা ১০০ চুম্বদগী অচুম্বসিবু মাঙহল্লকপদগী ৱাথোক্কী মথংদা লাম্হোক মথং-মথং চোঙথোক্লরকপনি। মতাংসিদা ঙসিগী পোলিটিসিয়নশিংগী মনুংদা মরাল লৈরবা, শেঞ্জা থুমজা কয়াদা অচৌ-অচৌবা ৱাথোক ওইরবশিংনা পোলিটিক্সতা য়াওশিল্লকপা, মসিগী মথক্তা লাইরিক লাইশু ৱাৎপা কয়ানা পোলিটিক্সতা খোঙ থাংজিন্নরকপদগী ঐখোয়গী ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সপু লল্লোনফম, শেঞ্জাও পায়বশিংনা আইনগী ৱাংমদা হকথেংননা অমদি নাকোয়ননা য়াওশিন্নরকপা হায়বসি ঙসিগী ইন্দিয়াগী ষ্টেট খুদিংমক্তা খ্বাইদগী চাউরবা থবক ওইনরক্লি। মসি দেমোক্রেসি চৎপা মকোকনি হায়না লৌনরিবা ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সকী পোরমনি খন্থবীয়ু। মতম শাংনা লৈঙাক পায়রকপগী মনুংদা পাৱর শীজিন্নরকপদগী ওইরকপা ঙাক্তনি। মতাংসিদা ইন্দিয়াগী ষ্টেট খুদিংমক্তা মীয়াম্না তানরকখিবশিং অসি পুৱারীনা লেংদ্রবা খুদম চাংদমনি।

ঙসিগী পোলিটিক্সকী ঈচেলদা হোংলক্লিবা অহোংবশিং, ওল্লক্লিবা য়াওন পূম্নমক মীৎমাংদা শং-শংনা উনরিবসিনা খুদম চাংদমনি। মতম শাংনা মণিপুরদা চহী ১৫ চুপ্না লৈঙাক পায়রম্বা কোংগ্রেস ঙসিদি করি ওইরি। মতম শাংনা লৈঙাক পুরম্বদগী কাচিন কোয়াগী অহোবা, অফবা -ফত্তবা কয়া খঙনা-খঙনা লম্বী লান্না চৎলুবদগী অৱাবগী মথক্তা অৱাবা তাজবনি। মরম অদুনা মীরেপ ২৮ তরু-তরুনা তশেংনা কাজরকপা কোংগ্রেসপু নৌনা মতমগী য়াওলদা ওইরকপা বি জে পিগী মীরেপ ২২খক্তা কাজবা পার্টি অসিনা লৈঙাক পায়রকপা, ইলেক্সন মমাঙদা ভোট খোন্বা লাকপদা লাংজিং অচৌবগী মীটিংদা শ্রী মোদিজিনা ঙাঙলম্বা অশেং-অশেংবা, অচুম্বা কয়াবু চপ চাবা থবক পায়খৎকনি লাউরম্বদগী খঙহৌদনা বি জে পিগী মীরেপ ২২ মায় পাকপা ঙমখিবনি। অদুবু মসিগীসু অৱাবা নোংমদি শোয়দনা তারক্কনি। ঙসি ফাওবা কোংগ্রেসকী লৈঙাক মনুংদা পাৱর কয়া শীজিন্নদুনা মীওই ১৫২৮-গী মীহাৎ অচুম্বা অশেংবা পুথোক্তুনা মরাল লৈবশিংবু চপ চাবা চৈরাক পীগনি হায়বসিদা মীয়াম্না থাজবা থম্লুবদগী শেঞ্জাও পায়বা বি জে পিনা থাজদনা ভোটকী মতমদা বি জে পিগী মীরেপ ২২ কাবা ঙমখিবনি। মসিগী মথক্তা মমাঙথক্কী পোলিটিক্সকী অচেংবা অহোবা মশক মুন্না খঙলবা বি জে পিনা ২২দা কাজরবসু লৈঙাক শেমখিবা করিসু ঙকনীংঙাই ওইখিদে। দেমোক্রেসি চৎপা কাঙলোন মনুংদা মীরেপ ২৮ কাবা কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়বা ঙমখিদবদি দেমোক্রেসিগী চৎন-কাঙলোন মাঙদগী নাথৈখিবা করিসু তৌবা ঙমখিদবসিমক ৱাহন্থোক কয়া থোক্লা লৌনদবা নত্তে। মরক অসিদা ওইজবা খরগীদমক য়েংদুনা এম এল এ খরদি ফম অমদি পাৱরদা হেন্না মীকানরক্তুনা মণিপুরগী নুং পান অনীমক্তা য়ৈখায় থিনগাইবা থবক কয়া তৌরিবা পার্টি ফাওবা মনি অমদি মসল পৱারনা লৈঙাক শেমখিবা হায়বসি মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি। মমাঙথক্কী ইলেক্সনগী ভোট খোন্বদা শ্রী মোদিজিনা লাউরম্বা থবক ঙসি ফাওবা পায়খৎপা ঙমদবসি মীয়াম্না খঙনা খঙনা করিসু তৌবা ঙম্নদবনি। মসিগী মথক্তা বি জে পিগী লুচিং মখাদা লৈঙাক্কী মকোক থোংবশিংনা লৈঙাক কায়খিগনি খনবদগী অসুম অসুম লৈরকপা চহী অনীরোম শুরক্লে।

ঙসিগী ২১শুবা চক অসিদা অচুম্বগীদমক কখোকপা ঙম্বা থম্মোয় শেংবা লুচিংবা অমগী তঙাইফদবা মতমনি। মণিপুর মীয়াম্না পাল্লিবশিং খরদং ওইরবসু পায়খৎপা মতম ওইরে। মপূং ওইনা শেঞ্জা থুমজা, শঙ্গ-পঙ্গগী কল্লবা ঈচেলদি হান্নদগী হন্দক্কী বি জে পিনা হন্থনা লৈরবরা। মসিমক মীয়াম্না হংনরিবা ৱাহং অমনি। মসিগী পাউখুম মীয়াম্না পামনৈ। অচুম্বগীদমক, অশেংবগীদমক বি জে পিদা থাজবা থম্নরুবনি। অদুবু চহী অনীরোমসিদা পাউখুম পীদ্রবসু পড়া খরদি মীয়াম্না চপ চানা খঙনরে। মরম অদুনা হন্দক্কী সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মতাংদা সেন্টরনা থাংজিল্লক্লিবা খোঙথাংদা মণিপুরগী বি জে পিনা করিসু পাঙথোকপা ঙমখিদবসিমক ওন্থোক্লা ৱাহন্থোক লৈনা খঙনদবা নত্তে। মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক পায়খৎখিবদগী ৱাহন্থোক হন্দক্কী এম পি ইলেক্সনদা খরদি ৱাখল তানদবদি নত্তে। অদুম ওইনমক মতমসিগী শেঞ্জা থুমজাদা ককঙাওনরবা মীয়াম্না মণিপুরগী তুংদা মাঙজগদবশিং খন্থদনা ঙৈহাক ঙৈহাক্কী শেলগী লাংদগী মীচম মীয়ামশিং নাম্থোকপা ঙমখিদবসিমক অচৌবা অৱাবা অমদি শোয়দনা মায়োক্নরগনি। হন্দক্কী এম পি ইলেক্সনগী মতাংদা লৈঙাক পায়মিন্নরিবা বি জে পিনা করম্বা শকলোন লৌনরকখিবা হায়বদু চীং তম অনীগী মরক্তা তরু-তরুনা, তশেংনা লৈঙাক পায়মিন্নরিবশিংনা ময়েক শেংনা খঙনরমগনি নীংই। মসিমক্না তম্পাক্কী এ সীদা ভোট লেপ্পগী মশীং হেনগৎলক্লিবসি চম্না তরাইনা লৌবা খক য়াররোই। মসিগী মথক্তা পার্টিগী লীদর ওইরিবা সী এমগী এ সীদা ভোট অমুক হন্না থাদনখিবসি ওন্থোক্লা ৱাহন্থোক লৈনা লৌনদবা নত্তে। মসিগী মথক্তা অন্দ্রো এ সীদা ভোট হনি-খবসিসু তরাইনা খন্দোকপা য়াররোই। মসিনা তাক্লিবদি ভোট অসি চুম্না পাঙথোকখিদ্রে হায়বসি ককপা য়াদনা চুল্লবনি। অদুবু লংজরুবা মরালগী মতুং ইন্না শোয়দনা মদুগী মহয় লাক্লগনি। ভোটকী মতমদা মনি, মসল পৱার ঙাক্তনা য়াদে হায়বসি অনৌবা পাড়া অমদি ওইনহৌরবনি। মরম অদুনা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিমক অচুম্বা অশেংবা মপূং ফানা থবক ওইনা পায়খৎপা ঙমদ্রি হায়বসি ককপা য়াদনা চুল্লে। মসিগী মথক্তা মতম শাংনা চহী কয়া লৈঙাক পায়রম্বা কোংগ্রেসকী শেঞ্জা থুমজা, মনি পৱারবু ঙম্বা অনৌবা পার্টি অমা ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈরে হায়বসি মশক থোক্লা ইন্দিয়া পূম্বদা ময়েক শেংনা খঙনরে। মসিমকসু ফবা-ফত্তবা তোপ্পা থল্লগা অওনবা অহোংবা পাৱর পায়বগী তৌবা ঙম্বা, ঙমদবা মশক থোক্লা মীয়ামদা ফোঙদোরকপা হায়বসি অনৌবা মায়ওন অমনি।

মসি পূম্নমক্কী মথক্তা ইন্দিয়াগী ১৭শুবা এম পিগী ইলেক্সন অসিমক লৈঙাক পায়বগী খুদোংচাবা পৱার উৎথোক্লবনি। হন্দক্কী ১৭শুবা এম পি ইলেক্সন অসিদা মীয়াম পূম্নমক ফজনা শক খঙনরে। ইন্দিয়া পূম্বগী খন্নরকপদা শেঞ্জাও পায়বা, শেঞ্জা থুমজাদা মমিং লৈরবা, আইনগী ৱাংমদা মীয়ামগী মরল মথুম হাৎপা, হৈবা-শিংবা কয়াগী মফম অমা ফজনা লৈরে হায়বসি খঙনা-খঙনা, উনা-উনা দেমোক্রেসিগী নমাদা হেন্না খূৎমাং য়াঙনা চঙশিল্লকই হায়বসি ময়েক শেংলে। পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক মপুক শেংই, শেংদে হায়বসি পূম্নমক্লা খঙনরে। অদুবু পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক ওইজবা পাম্বা, মশা-মশাগী খঞ্জবা পার্টি ঙাক্তনি হায়বসিসু মীচম মীয়াম পূম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু ভোট লোইরবা মতুংদা অমগা অমগা পূনশিন্নবগী লাল্লোং লাকপসিনা অমুক্কা হেন্না মীয়াম্না ৱাখল তানরে। ইলেক্সন মমাঙদা অমগা অমগা পূনশিন্নদুনা চপ চাবা থবক পায়খৎপদি ঙমহৌদ্রগা ভোট লোইরগা পূনশিনবগী থবক অসিনা তাকপদি পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্কী অমোৎপদু মীয়ামদা নাকোয়ননা ওইজবা তানজবনি হায়বসিসু ময়েক শেংনা খল্লি। খুদম মচা অমতং পঞ্জরবদা, মণিপুরদদি কোংগ্রেস অমদি বি জে পি অনীগী কল্লবা ঈরাংনি, কোংগ্রেসনা থম্মোয় শেংনা বি জে পিবু থেংনবা পাল্লবদি খরা শোনবা পার্টি অমদা বি জে পিগা থেংননবা শৌগৎপীরবদি পোলিটিক্সকী অনৌবা পাড়া ওইনহৌগনি। ভোটকী মতাংদা মাগী মাগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরগা ভোট লোইরগা লুচিংবা ওইরবা মতুংদা থাজবগী ৱাংমদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মীচম মীয়াম্না পাল্লিবা থবক থৌরমশিং অদুগী মায়োক্তা থবক চথরকপা হায়বসি হান্ননা ময়েক শেংনা খঙনরবা ঙাক্তনি। পূম্নমকশিং অদু চহী খুদিংগী হেন্না হেন্না ময়েক শেংলকই। মপূং ওইনা হন্দক্কী এম পি ইলেক্সন অসিদা মশক নাইনা লম্বা তৌনরক্কদৌরিবা অসি বি জে পি, সী পি আই অমসুং কোংগ্রেস অহুমসি খক্তনি। মসিমক মীপূম খুদিংমক্লা ময়েক শেংনা খঙনরবা ঙাক্তনি। মসিগী মথক্তা এম পি ইলেক্সনদা ঙসি ফাওবা কাবা কাদবা তোপ্না থল্লগা খ্বাইদগী য়াম্না কেন্দিদেট পুথোকপসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। অদুবু অয়াম্বা দিপোজিৎ মাঙগদৌরিবনা অয়াম্বনি। মপূং ওইনা ইন্দিয়াগী ওইনা লাক্কদৌরিবা অসিদা তশেংনমক নমদুনা লৈঙাক পায়রক্কদৌরিবসি বি জে পিনি। কোংগ্রেসকী চহী কয়াগী মতুংদা লেংদবা পোলিটিক্স তৌরক্লবসু কৈদৌনুংদা মায় পাকপা য়াররোই। কোংগ্রেসকী লুচিংবা মতিক চাবা চাদবা হায়বসি মীয়াম্না খঙনরবনি। মপূং ওইনা পোলিটিকেল পার্টিগী লুচিংবা খুদিংমক মনি অমদি মসল পৱারনা কা হেন্না পাম্নরকই হায়বসি ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সকী পুৱারীদা ২১শুবা চহীচাসিদা ময়েক হেন্না শেংনা খঙনরকই।

অরোইবদা থমজনীংলিবদি, পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক থম্মোয় শেংনা মশা মশাগী পার্টিগী পান্দম ঙাক্লা চৎনরক্তবসিনা মীয়ামগী লাইবক থীবা নোংমা নোংমগী হেনগৎহল্লি। মীয়ামদি অৱাবগী মথক্তা অৱাবা হেন্না তারক্লগনি। পোলিটিকেল পার্টি, পোলিটিসিয়নশিংগী লুচিংবা খরদি এম এল এ, এম পি লল্লোন্দুনা মশা মশাগী ফিরেপ চাং ৱাংনবা হোৎনরকপগী শক্তম ময়েক শেংনা উৎনরক্লে। মসিনা মণিপুরগুম্বা লায়রবনা মশীং হেন্না খুন্দাবা লমদমসিদদি অৱাবগী মথক্তা অৱাবা হেন্না তারক্লগনি। চহী খরগী তুংদা শেঞ্জাও পায়বা খরগী লাংদগী মণিপুর মীয়াম নাম্থোকপা য়াদনা লৈরকপা শোয়দ্রবনি। মপূং ওইনা মীতোপকী মখূৎতগী নাম্থোকপা ঙমদনবগী শরৌ লাংদা চঙশিনবা হৌরে। সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী ৱাথোক অদু তরাইবা নত্তে। বিল অদুগীদমক মণিপুরদা লাংনরম্বা ঈহৌ তরাইনা খন্দোকপা য়ারোই। অদুবু ঈহৌ অদু মতম শাংনা কান্নদনা এম পি ভোট লাকখিবসি চম্না কোম্না খন্দোকপা য়াররোই। মতমগী বি জে পিগী শরৌ লাংদুদা ঐখোয়গী বি জে পিগী লুচিংবশিংনা লৌরকখিবা খোঙথাং, মীয়ামগী ঈহৌ পূম্নমক্তা খঙনরবা ঙাক্তনি। অদুবু হন্দক্কী লোক সভাগী ইলেক্সন লাকপদা বি জে পিগী পাৱর পায়বগী ময়েক শেংনা খঙনরক্লি। মসিগী মতুংদা করি ওইরক্কনি হায়বদু য়েংবা তারি। মতাংসিদা মণিপুরবু নুংশিবা, মণিপুরগীদমক কখো-কপা ঙম্বা থম্মোয় শেংবা লুচিংবা থম্মোয় চাউবা মীশক অমদি লমদমসিদা মথৌ তারে। মপূং ওইনা হন্দক্কী এম পি ইলেক্সন অসি মণিপুর মীয়ামনা অনৌবা অওনবা অমগী তাঙ্কক খরদি মণিপুরগী এ সী ৬০ অসিগী মীয়াম্না খন্থমিন্নবগী তাঙ্কক অমসুনি। লৈঙাক পায়মীন্নবগী লিংজেল মান্নদবা ময়েক শেংনা খঙনরক্লে। ইন্দিয়াদা এম পি ইলেক্সন লোইদ্রিঙৈদা মণিপুরগী লৈঙাক পায়মিন্নবগী মায়োক্তা বি জে পিগী লৈঙাক্তগী এন পি এফ তোক্লবগী ৱারেপ লৌরকপা তরাইবা নত্তে। মসিদসু নত্তনা লৈঙাক মনুংদা মন্ত্রি ফম পুরিবা খরনা লৌরকখিবা খোঙথাং পূম্নমক খঙনবা ঙাক্তনি। অদুবু মন্ত্রি ফম অমা ফংজবা হায়বসি মনি মতুম অমা ফংজবগুম্বনি। কোংগ্রেসনা অমুক হন্না অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্নবা থৌরাংলি। অদুম ওইনমক কোংগ্রেস লৈঙাক্তি মীয়াম্না পাম্নদ্রে। ঙসি ফাওবা মীওই ১৫২৮ হাৎখিবগী ৱাথোক, লোক্তাক শেংবগী ৱাথোক, নুংথিল পোবোবতা ইম্ফাল মনুংগী মীয়াম তিনবা মরক্তা মীচম ২ হাৎখিবা অমদি তোম্বীসনা হায় স্কুলগী কম্পাউন্দগী ফংখিবা মীকোক্কী ৱাথোকশিং মীয়াম্না কাউনদ্রি। ৱাথোকশিং অসিদা চেন্নবশিং চৈরাক পীনবা চোঙথোরকখি অদুবু চৈরাক পীবদি ঙমখিদে। অচুম্বা অশেংবা তৌগনি হায়না লাউরবসু থবক ওইনা ওন্থোকপা ঙম-খিদে। য়েংবা তারি, মতমসিগী পোলিটিসিয়ন, পোলিটিকেল পার্টি, ওইজবা তান্দুনা খুদোংচাবা য়েংনরকখিবা তাবনি।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## মতিক চাবা চৈরাক পীয়ু

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

ইলেক্সনগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট লৈরিঙৈ মনুংদা থবক লৌবগী চৎন-কাঙলোন শুকয়াও য়াওদনা পুম্নমক কানথোক্লগা মণিপুরগী চীংগী মফমশিংদা লৈরিবা সেদ্যুল ত্রাইব মহৈরোয়শিংবু মপুং ফানা মহৈ-মশিন পীবা ঙম্নবা সেন্টরগী স্কিম অমগী মখাদা লিংখৎখিবা স্কুলশিংদা অরোনবা পোষ্ট কয়া নারোন্দা হাপচিনখ্রে হায়না প্রেস কনফরেন্স, টি ভিদা অমদি হৌখিবা তাং ১৪গী মণিপুরী অমদি ইংগ্রাজি চেফোংদা ফোঙবা থেংনখি।

ত্রাইবেল এফ্যেরস লোয়শঙ অসিগী থৌশিল থৌরাং কয়াগী মায়োক্তা ইম্ফালগী ত্রাইবেল মার্কেটকী ইমাশিংনা ত্রাইবেল এফ্যেরস দিরেক্টর শিন্দোক্লবা চঙশিনখিবা খোঙজং হন্দোকপা লৈত্রি। থবক লৌবদা অরানবা তৌরে হায়দুনা হৌজিক হৌজিক কেস চৎথরিবা অসিদসু নত্তনা লৈঙাক্কী ওইনা শাগদবা লোয়শঙগী অচৌবা শেনফম মফম অমদি শেল অতোপ্পা লন্নাই স্কুল শাবদা শীজিন্নথোক্লম্বগী অচৌ-অশাং কয়া চেন্নরম্লে হায়দুনা এন্টিসিপেটোরি বেল লৌবা লৌদবা চেফোঙ কয়াদা লেপ্পা লৈতনা থেংনরি। পুম্নমক অসি ত্রাইবেলশিংগী য়াইফনবা থাদরিবা শেনফম কয়া অসি গেং খুৎপু অমনা চুপ্পি পায়দুনা শান্ননিংবা মওংদা শান্নদুনা লৈরে।

লাকচনিংলিবা ৱাফমদি মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট লৈরিঙৈ মনুংদা করম্না তমেংলোং, মোরে অমদি সপরমৈনাদা লৈরিবা স্কুলশিংদা টিচিং অমদি নন-টিচিং পোষ্ট ২১০ গী মনুংদা তমেংলোং খক্তগী ওইনা পোষ্ট ৭০ অসি মথৌ তাবা চৎন-কাঙলোন অমত্তা য়াওদনা লান্না হাপচিনখ্রে হায়বা অসিনি। পোষ্টশিং অসি লৌননবা মণিপুরদা ফোঙবা পাউচে অমত্তদা এদভর্টিজমেন্ট অমত্তা তৌদনা অমদি মরী লৈনবা লোয়শঙদা নোটিফিকেসন অমত্তা থোক্তবা অসিনি। করিগীদমক্তা সপরমৈনা অমদি মোরে হুন্দোক্লল্লিবনো? তমেংলোংনা য়ারগা অনী অসিগীদি করিগী কোদ ওফ কন্দক্ট লৈ হায়রিবনো? লোয়শঙ অসিদা গেং খুৎপু অসিনা মখোয়গী অনীংবা অপাম্বা অদু তৌনিংবতা তৌদুনা লৈরে হায়বা অসিনি। ত্রাইবেল এফ্যেরস অমদি হিলস পায়রিবা সেক্রেটরিশিংগী মকোক থোংবা অমদি মথং খনবশিং চেন্নরম্লোই অমদি মখোয় খরা অসি য়াওদনা করম্না ওইথোক্কদৌরিবনো হায়বা ৱাহং অসিনি।

অদুগী মথক্তা টি দি অমদি হিলসকী দিরেক্টর অমদি মাগী খুৎপু অসি য়াওদনা কোদ ওফ কন্দক্ট মনুং নুংথিল পোবোপতা শগুন তৌবা ঙম্বা হৌনদে। লান্না লৌশিনখিবা পোষ্ট খুদক্তা ককথৎলু। মীচঙ শঙ্গ য়েংদনা মরাল লৈবা খুদিংমক মতিক চাবা চৈরাক পীয়ু, অরুবা লায়না ওল্লক্ত্রিঙৈ লৈবাক্কী য়েক্লবা মহিকশিং অসি মতম চারিঙৈদা ফাদোকসি। ইলেক্সন খুদিং ওবজার্ভর ওইনা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা ঙাইহাক লৈতনা চৎলিবা দিরেক্টর মশানা কোদ ওফ কন্দক্ট থুগায়রে। মণিপুরগী ফত্তবা মতৌ অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা তল্লকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈবনা ষ্টেট চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর অমদি ঈ সী আইনা মতিক চাবা থবক লৌখৎলক্কনি হায়না থাজে। চীফ মিনিষ্টর অমদি চীফ সেক্রেটরি অনীনা মকোক ওইবা ভিজিলেন্স অমদি এন্টি করপসন সেল চপ চানা মথৌ পাঙথোকহন্নিংই। অফবা খুন্নাই অমগীদমক্তা অকনবা মীৎয়েং চিংশিঞ্জরি।

*অদোমগী - থাংজাহাও হাওকিপ*
*পাউনা বজার, ইম্ফাল*

**ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / অমাংথোং ময়াদা মতুম মচা অমা পোমথোক্লগা লৈবা, অমাংথোং মনুংদা চাথৎপা, খোঙ হান্বা য়াদবা, অমাংথোং মনুংদা য়াম্না চিকপা নাবা তৌরগা খাঙবা ৱাবা, পূক অকোয়বদা অমদি পূকচেপ নাবা, খোঙ নাম্মা শিথগে তৌরকপা তৌরম্বা অদু ফহনবগী ওজা সহিদুর রহমনবু থাগৎচরি**



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোং ময়াদা মতুম ওইনা পোমথোক্লগা লৈবা, মতুম মচাদু অমুক চাওথোক্লগা অমুক পীকশিনবা, অমাংথোং মনুংদা চাথৎপা, চাথৎপা মফম অদুদা য়াম্না চিকপা-নাবা তৌরগা খাঙফম খঙদবা, খোঙ হান্বা য়াদবা, খোঙ হান্বা য়াদবনা মরম ওইরগা চাবা থকপসু য়াদবা অমদি খ্বাঙ য়াম্না নাবা, অমাংথোং মনুংদা য়াম্না চিকপা নাবা, পূক্তা গেষ্ট্রিক কারগা পূকচেপ নাবা অমদি থজিন শাওগৎপা গেষ্ট্রিক অদুনা মফম খূদিংদা চেল্লগা চিকপা নাবা, নোংমা-নোংমগী হকচাং ময়েং তাশিল্লকপা, চাবা-থকপসু মচি ওইদবা, খোঙ নাম্মা শিথগে তৌরকপা, শা-ঙা, থাউ, মোরোক অমদি অতেক-অনৌ চাবা য়াদবা, চারগনা খোঙ অমুক্কা হেন্না হান্বা য়াদবা, কময়া অনীমক নাবা, ঈশিং চৎপদা শাবা অমদি মতম কুইনা য়াঙলেন শরূ অমদি শাগন অনীমক চিকপা-নাবা, খ্বাঙ নাবা অসি দোক্টর, মাইবা কয়াদা চৎতুনা য়েংবদা ঙসি ফাওবা ফবা ঙমদনা লাকপা অদু ঙসিদি Md. Sahidur Rahman Makakmayum, Mobile No. 8310735055 / 9612725989 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূং ফানা ফরে। মরম অদুনা ওজা Sahidur Rahman বু হন্না-হন্না থাগৎচরি।

লায়েংজরিবা মফমশিং :-
1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba (06.00 am to 9.30 am)
2. Sangai Bazar M/s Gambhir Enterprises Takhellambam Konjil (Hiyangthang) (10.00 am to 05.00 pm)
3. Pallel Bazar, Kakching District.

*থাগৎচরিবী* : **Y. Rajeshori,**
Konthoujam Maning Leikai
HL-P/3860/24

**WANTED**
**BAKERY ASSISTANT & SALES GIRL**
**Contact for details : 9366498691, 9862640102**
HL-P/3864/23,24,25

**ꯍꯔꯤ: / শ্রী-শ্রীগৌরচন্দ্রায় নমঃ**

পুর্ব্বশ্রমদা ঐখোয়গী ইরক্তা তিনবিরম্বা **শ্রীচিংশুবম ঁনোরেন সিংহ**-না মহাক্কী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরূপ-মপাং খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লল্লগা, হৌখিবা তাং ২২/০৫/২০১৯ ইং, কালেনগী ১৯নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা গুরু কৃপাদগী বেষ ওল্লগা নরেন্দ্র দাস হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবণ প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ২৭/০৫/২০১৯ ইং, কালেনগী ২৩নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা অষ্ঠি সঞ্চয় লৌখৎচরগা, তাং ০৪/০৬/২০১৯ ইং, ইঙাগী নোংমা পানবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা চিরা উসব ডিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী আত্মানা শ্রীহরিগী চরন্দা চঙজরুনবা, ঙমজবা বস্তু খরদংনা শিনজ-লাংজদুনা হরি সঙ্কির্ত্তনগা লোয়ননা কৎচগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন অমদি মরূপ-মপাং খ্বাই পূম্নমক্লা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা হরি নাম শ্রাবণ তৌবীরনবা পাউচেগী থোংদা পাউজেঞ্জরি।

*বিনীতগন ঃ-*
১। চিংশুবম মনিহার সিংহ (মপা)
২। চিংশুবম ওংবী তখেল্লে দেবী (মমা)
৩। চিংশুবম ওংবী কননবালা দেবী (সহধর্ম্মীনি)
খাবী ময়াই লৈকাই
HL-P/4187/24

**OFFICE OF THE**
**IIBIT IMPHAL, MANIPUR**
**(Indian Institute of Banking and Information Technology)**
**GSTIN : 18AAFF017234ZK, Branch Code : IIBITM06684**

Vacancy in India's top leading Pvt Bank for the following positions-
i) CSD :- Customer Service Officer female graduate candidate.
ii) Phone Banking Executive :- Graduate with fluent in English, Hindi (Male/Female) both can apply.
iii) Branch Executive :- Any Graduate with age below 32 yrs.
iv) Loan Officer :- Any graduate and experience can apply.
v) BRE/BRM :- 10+2 can apply with fluent English, Hindi.

***Contact :* IIBIT**
**(Indian Institute of Banking and Information Technology)**
**Office, Khoyathong Imphal**
***Phone No.* : 9612457523 / 6009175954**
HL-B/5367/21-31...

**ꯈꯪꯍꯟꯕ**
**NOTIFICATION INVITING OBJECTION**

The undersigned desires to transfer M/s Godfrey Brick Field operating under Factory Licence No. 252 and located at T-Khullen, Senapati to my wife, namely Mrs. Srafina Tao Th. Any objections to the proposed transfer is to be intimated to the Chief Inspector of Factories & Boilers cum Director of Trade, Commerce & Industries, Government of Manipur, Lamphelpat within 14 (fourteen) days from the date of publication in the newspaper. This notice inviting objection is issued with respect to Director of Trade, Commerce & Industries letter No. F-79/IND/2013 dated 24/04/2019.

*Sd/-* **D. Jacob,** Purul Atongba Village, PO Senapati, Senapati
HL-P/3858/22,23,24

**ADVANCED COACHING INSTITUTE,** NAGAMAPAL
REGULAR MEDICAL & ENGINEERING COURSE | 29TH MAY
OPEN ADMISSION
KWAKEITHEL BRANCH
THIYAM LEIKAI
(OPPOSITE TO PHOTON SCHOOL)

2018 COHSEM SCIENCES TOPPERS



3RD POSITION Y. DEVAJIT · 9TH POSITION P. BADAL · 9TH POSITION KONICA N. · 10TH POSITION KOURANGANBA · 10TH POSITION L. IMOBA · 15TH POSITION H. ARBIN · 17TH POSITION SH. BIKISH

URGENT WANTED

| SL.NO. POST | EXPERIENCE | REMUNERATION |
| --- | --- | --- |
| 1. PHYSICS LECTURER | MORE THAN 5 YR | 25 - 35 K |
| 2. WARDEN (B.Sc.) | (1M + 1F) | 9 – 15 K |
| 3. DRIVER | 2 | 7.5 - 15 K |
| 4. SECURITY | 2 | 5.5 - 10 K |
| 5. COOK 1F | | 7 - 12 K |
| 6. SWEEPER 1F | | NEGITIABLE |

2018 COHSEM ARTS TOPPERS



2ND POSITION T. SUNAINA · 3RD POSITION Y. GUNCHENBA · 5TH POSITION T. JAMES · 5TH POSITION LOYANGAMBA · 7TH POSITION K. OBED · 8TH POSITION T. ORESH

2018 BOSEM TOPPERS



11TH POSITION RAJESHORI · 24TH POSITION MD. HANIF · 17TH POSITION ASMA M.

FOR QUARY 9862992105

TIMES SCHEDULES
04.40 - 7.30 A.M.
10.00 - 12.00 P.M.
12.00 - 3.00 P.M.
04.40 - 7.50 P.M.
advancedcoachinginstitute112@gmail.com

SEPARATE CBSE, BOSEM & COHSEM
LIMITED SEAT - FIRST COME FIRST SERVE
AVAILABLE SEPARATE BOYS' & GIRLS' HOSTEL
NAVODAYA AND SAINIK STUDENTS'
FOUNDATION COURSE FOR 2019 SESSION
CLASS VI TO XII STARTS — 16TH & 22ND MAY
VAN SERVICE BOTH IN MORNING & EVENING
SPECIAL VACCATION COURSE
COMMENCE OF CLASS VI TO XII FROM 6TH MAY '19
THERE WILL BE WEEKLY TEST ON EVERY SUNDAY
HL-P/6192/9,12,15,18,30

Affiliation No.1/96/96-Vol. V Estd. 2015
**PHOTON SCHOOL**
Kwakeithel Thiyam Leikai, Near Water Reservoir, Imphal-01
A Unique Co-educational Higher Secondary School of Science

**DIRECT ADMISSION; 45% & Above**

**Admission Opens for Class XI Science 2019-20**
Eligibility : Class X Passed (BOSEM/CBSE)

**Opportunities;**

| | |
| --- | --- |
| Rankers | : Total Free Education + Hostel + Scholarship |
| 80% & Above | : Admission + Monthly fees + Books + Uniform + Coaching free |
| 75% & Above | : Admission + Monthly fees + Uniform + Books free |
| 70% & Above | : Admission + Monthly fees + Uniform free |
| 60% & Above | : Admission or Monthly fees free |
| 55% & Above | : Half Admission Free |
| 50% & Above | : Uniform free |
| 45% & Above | : Direct Admission |
| Passed | : Conditions apply |

**Subjects Offered:**
1. English 2. MIL/ALT. E. 3. Physics
4. Chemistry 5. Biology 6. Mathematics
7. Computer Science & 8. Home Science

Entrance Test on; .....
Session starts on; .....

**Introducing NEET-JEE class from this Session**

For Details, Pliz, Contact Office of the PHOTON SCHOOL, Kwakeithel. / Ph.No. 7005303412/7005588538/7005439898/8837451193
HL-B/5382/95-7/6